

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*উরুগ্বেগা শান্নখিবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমদা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীবদা ইটালিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ইদর*

*মালেমগী শান্নরোইশিংগী নৌনা থাদোরকপা লিষ্টতা খ্বাইদগী শেল য়াম্না পায়বা শান্নরোই ওইরিবা পোর্টুগালগী ষ্ট্রাইকর খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো*

## বোপানা অমদি দাব্রোস্কিনা মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখ্রে

*পেরিস, জুন ৮ ঃ*

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী গাব্রিয়েল দব্রোস্কিনা জর্মনিগী অনা লেনা গ্রোইনফেল্ড অমদি কলম্বীয়াগী রোবার্ট ফারা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল অদুগী অহানবা গেম অদু জর্মনি অমদি কলম্বীয়াগী জুরা অদুনা ইন্দিয়া অমসুং কানাদাগী জুরা অদুবু ৬–২ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদুদা ইন্দিয়াগী রোহন বোপানা অমদি কানাদাগী দাব্রোস্কিগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকখিবদগী ৬–২ অমুক থোইদুনা জুরা অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা সেট অদুদা জুরা অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখি। মদুদা ইনি দয়া অমসুং কানাদাগী জুরা অদুনা টাই ব্রেক্তা য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ১২–১০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলশিংদা বৃটেনগী এন্দি মুরে অমদি স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদাল অমদি ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বৃটেনগী এন্দি মুরেনা মহাক্কী সেমি ক্বার্টর ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিদা ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা জপানগী কৈ নিসিকোরিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২–৬, ৬–১, ৭–৬(৭–০), ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

এন্দি মুরেগী সেমি ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকানা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু ৬–৩, ৬–৩, ৬–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

স্পেনগী রাফেল নদালনা ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈবাক অদুমক্কী শান্নরোই পাব্লো কারেনো বুস্তাবু মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা নদালগা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসপু ৭–৬(৭–৫), ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমদি লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকো লম্বা তৌনরগনি।

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু ৬–৪, ৩–৬, ৬–৩ দা থোইরমখি। অমরোমদা লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা স্বিজরলেন্দগী টিমিয়া বাকসিস্কিবু ৭–৬(৭–৪), ৩–৬, ৬–৩ দা থোইরমখি।

## ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা ইটালিনা উরুগ্বে পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*নিস, জুন ৮ ঃ*

মালেমগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইনা চথরিবা ফ্রেন্দলি মেটশিংগী মনুং চন্না ঙসি ইটালি অমসুং উরুগ্বেনা শান্নখিবা মেটচ অমদা ইটালিনা উরুগ্বেবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকী শান্নবা হৌরকপদা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী ৭ শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা উরুগ্বেগী শান্নরোই জোস গিমেনেজনা শোয়বদগী চনশিনজখিবা পাঞ্জলনা উরুগ্বেবু ইটালিনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অদু আউন গোল অদুনা লোইশিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফতা মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনরদ্রবা মতুং শান্নবগী ৮২ শুবা মিনটতা ইটালিগী ইদরনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী মতম লোইশিল্লক্লবদা ইটালিনা ফংখিবা পেনাল্টি কিক অমদা টিম অদুগী দেনিয়েল দি রোজিনা চন্দুনা মেটচ অদু ইটালিনা উরুগ্বেবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টর মেঘানা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপ্তা মেডল ফঙহৌদ্রে

*ন্যু দিল্লি, জুন ৮ঃ*

অজরবাইজনগী গাবালা সিটিদা পাঙথোক্লিবা সুট্টিং ৱার্ল্ড কপগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলস ইভেন্টতা মেঘানা সজনর ব্রোঞ্জ মেডল ফঙলগদবা তাঞ্জা মাঙজখ্রে।

মশাগী চহি ২৩শুরবী মেঘানা ক্বালিফিটিং রাউন্দদা য়াম্না ফজরবা ব্রোঞ্জ মেডলগী তাই কাপ্নরকপদা শিঙ্গাপুরগী সুট্টর জস্মিন সের জিয়াং ৱৈগা পোইন্ট ২০ খেৎনখিবদগী মরিশুবা পোজিসন তাহৌবনি।

ব্রোঞ্জ মেডলগী সুট ওফ অদুদা জিয়াং ৱৈনা পোইন্ট ২২৫.৭ ফঙখি। অদুগা ইন্দিয়াগী মেঘানা পোইন্ট ২০৫.৭ ফঙখি। ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদুনা চাইনাগী পেং জিনয়িনা পোইন্ট ২৪৮.১ ফঙলগা লৌখি। সিলভর অদুসু অতোপ্পা চাইনাগী সুট্টর সিমেংয়াওনা লৌখি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসনদা সরভিয়াগী মিলুটিন স্টেফানোবিসনা গোল্ড, চাইনাগী য়াং জুংকোংনা সিলভর অদুগা হঙ্গেরিগী পেনি ইসভাননা ব্রোঞ্জ লৌখি।

